# ৱিমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট : ইম্ফাল রাইদিং ক্লবনা এম পি এস সী থোইখ্রে



**ইম্ফাল, মার্চ ২৮ (ঐচ এন এস):** মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএশননা শীন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা ইম্ফালগী পোলো গ্রাউন্দদা তলক শুবা চিতামোহিনী ষ্টেট ৱিমেন্স কপ ২০২৫ হৌদোকখিবগা লোয়ননা হৌদোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচ অমদা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব লম্ফেলনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী) মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি হৌদোকপা নুমিৎকী ওইনা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব অমসুং এম পি এস সীগী মরক্তা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী ইম্ফাল রাইদিং ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা চক্কর লোইবা ফাওবদা ইম্ফাল রাইদিং ক্লবনা পাঞ্জল ৬-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা চক্কর শান্নখিবা অদুগী ওইনসু ইম্ফাল রাইদিং ক্লবনা অদুম্মক লাকচনা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা মখা তানা পাঞ্জল ৭ চনবা ঙমখি। অদুগা এম পি এস সীগী ওইনা অনীশুবা চক্করদা পাঞ্জল অমখক চনবা ঙমখি।

অহুমশুবা চক্কর শান্নখিবা অদুগী ওইনা ইম্ফাল রাইদিং ক্লবনা পাঞ্জল ৫ অদুগা এম পি এস সীনা পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখি। মরিশুবা অমদি অরোইবা চক্করদা ইম্ফাল রাইদিং ক্লবনা মখা তানা পাঞ্জল ৫ চনবা ঙমখি অদুগা এম পি এস সীগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ইম্ফাল রাইদিং ক্লবনা পাঞ্জল ২২-২দা লাকচনা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা ঙসি টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর ইক্বেষ্টেরিয়ন এসোসিএশনগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ডা. এস জয়কুমার, মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএশনগী ভাইস প্রসিদেন্ট আর কে দিলিপ, মণিপুর ষ্টেট সোসল ৱেলফ্যের বোর্দকী হান্নগী চ্যেরপর্সন আর কে নয়নস্না, হান্নগী ইন্টরনেশনল হোক্কী প্লেয়র এল তোকেন অমদি এস পি (স্পোর্টস) লাইশ্রম সরিতানচিংবনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ডা. এস জয়কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, মালেমদা লৈরিবা মীয়াম্না থোইদোক হেন্দোক্না খঙনরিবা মোদর্ন পোলো অসি শগোল কাংজৈদগী খরা শেমদোক শাদোক্লগা ওইখিবনি। মসি মণিপুরগী ওইনা য়াম্না চাওথোকচনিংঙাইনি। মণিপুর লৈঙাক্লা ঐখোয়গী ষ্টেট এনিমেল ওইরিবা শঙাই মুৎখিদনবা অমদি শঙাইগী লৈফম্নচিংবা শেমগৎতুনা কন্ননা হোৎনরিবা অসিগুম্না মণিপুর পোনি অমদি মখোয়গী লৈফম অমসুং পোলো মশান্নদা অহেনবা মীৎয়েং চঙহন্নীংঙই হায়খি।

# এম পি এ থৌনাওজম অমসুং এল এম এল সী সী মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৮ (ঐচ এন এস):** এল এম এল সী সী লাংমৈদোংনা শীন্দুনা হৌজিক চখুরিবা ৫রক শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন ৯ মেন এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা এম পি এ থৌনাওজমনা কৈরক এফ এ অদুগা এল এম এল সী সী লাংমৈদোংনা দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপী মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী অহানবা মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ২.৪৫ তাবদগী হৌরগা এম পি এ অমসুং কৈরক্কী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফকী ৫৬শুবা মিনটতা এম পি এগী অরিয়াননা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেটচ অদু এম পি এনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখিবনি।

এল এম এল সী সী অমসুং দি ৱাই এগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা এল এম এল সী সীনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখ্রে।

# চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুগদবা বোদি বিল্ডরশিং ইম্ফাল থাদোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ২৮ (ঐচ এন এস):** থা অসিগী ২৯ অমসুং ৩০দা ছটিশগরগী বিলাস্পুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৫রক শুবা মেন্স জুনিয়র/মাষ্টর্স/দিবিয়াং বোদি বিল্ডর চেম্পিয়নশিপ ২০২৫দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌরুগদবা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএশন (এ এম বি বি এ)গী শান্নরোয়শিং ঙসি ইম্ফাল ইন্টরনেশনল এয়রপোর্ট থাদোকখ্রে হায়না এসোসিএশন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।



চেরোল অসিনা হায়, টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারুনবগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবা বোদি বিল্ডরশিং অদুদি হ্যুমেনিটি প্লস উরিপোক্কী থৌনাওজম অজেস্না মৈতৈ, হর্কুলিস জিম য়াইরিপোক্কী এস রোহিট, য়ুনাইটেদ জিম নাওরেমথোংগী হাওবম অরিয়া, এক্সট্রিম ফিটনেস মন্ত্রিপুখ্রিগী ধনরাজ গুপ্ত, ৱর্ল্ড জিম য়াইস্কুলগী জেক্সন খুম্বোংময়ুম, সিটি জিম উরিপোক্কী য়ুম্নাম থোমাস, রোয়ল জিম নিংঙোমথোংগী লৈমজম নোংথাং অমসুং রিক্কি হৱাইবম, আর সী সী খুমন লম্পাক্কী লাইশ্রম তোম্বীস্না, মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী কে অর্নোল্ড অমসুং লৈশাংথেম কুমারজিৎনি।


ওফিসল ওইনা য়াওরিবশিংনা টিম কোচতা ৱাই নিলবির অদুগা মেনেজর ওইনা এন রতননি।

ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবা মণিপুরগী বোদি বিল্ডরশিং অসিনা হয়েংদগী হৌরগা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা চাওনা মায় পাকপা ঙমদুনা লমদম অসিগী মিংচৎ পুরকপা ওইরসনু হায়না ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএশনগী জেনরেল সেক্রেটরি য়ুম্লেম্বম সুনন্তনা খুৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি।






# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 1431

**Jan Zienkiewicz (1694) - Jose Eduardo Martinez Alcantara (2666)**
**Freestyle Friday Chess.com (2), 2025.02.07**

1.g3 g6 2.f4 d5 3.e4 e6 4.e5 f6
5.exf6 Nxf6 6.Nd3 Bb5 7.Qf3 Ne4 8.a4 Ba6
9.Ne2 Ncd6 10.Nb4 Bxe2 11.Qxe2 c5 12.Nd3 Qb6
13.Ne5 Qc7 14.d3 Nf6 15.Bc3 O-O 16.Ng4 Rae8
17.Qe5 Bg7 18.Nf2…

**QUESTION : Black to win**

## Puzzle 1430 Solution :

**22. …Rd2** The black rook deflects White's queen away from protecting the bishop and the square f3. **23.Qxd2**
23.Qxe4 Rxb2
23.Kg2 Rxe2
**23. ...Bxg4+** The black bishop captures White's bishop, which was defending the square f3. **24. Kg2**
24.Kxg4 Qc8+ 25.Qd7 Qxd7#
**24. ...Bf3+** The black bishop attacks White's king, which is defending the square h3. **25.Kg1 Qc8 26.Qh6**
26.Qd5+ Kf8 27.Qxe4 Bxe4
**26. ...Bg5** The black bishop deflects White's queen away from protecting the square h3 and the square f8. **27. Qxg5 Qh3**
Mating net **28. Bxe5 Qg2#** Damiano's bishop mate
**0-1**






Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com